

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, APRIL 06, 2020 **PAGE 7**




*কোভিদ–১৯ লান্থেংননবগীদমক পি এম কেয়র্স ফন্দদা লুপা লাখ ৫০ মতেং পাঙখ্রবা ইন্দিয়ান ক্রিকেট টিমগী ওল রাউন্দর ওইরম্বা যুবরাজ সিংহ*

*লোকদাউন মনুংদা টোকিও ওলেম্পিক গেমসতা মীৎয়েং থম্লগা অকনবা ত্রেনিং চথরিবা ইন্দিয়াগী নুপা আর্চর তরুনদিপ রাই*

## কোভিদ–১৯ না য়ৈথোকখ্রবা য়ু এসকী স্পোর্টস অথুবা মতমদা হৌরগনি : প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প



*ৱাশিংটন, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি)ঃ*

মালেমগী মফম কয়াদা লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা য়ৈথোক্তুনা লাক্লিবা য়ু এসকী স্পোর্টস কম্পিটিসনশিং অথুবা মতমদা শান্নবা হৌরগনি হায়না লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা থাংজ নুমিৎতা স্পোর্টস কম্মিস্নারশিংদা ফোঙদোকখিবদা কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী য়ৈথোক্তুনা লাক্লিবা লীগ অমসুং কম্পিটিসনশিং অসি অথুবা মতমদা হৌনবা হোৎনরগনি হায়খি।

হ্বাইট হাউসতা ৱারোল পীখ্রবা মতুং য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পতা এন এফ এল, এন বি এ, এন ঐচ এল, মেজর লীগ বাস্কেটবোল অমসুং মেজর লীগ সোক্করশিংগী কম্মিস্নারদা অথুবা মতমদা টুর্নামেন্টশিং পাঙথোকপা হৌনবা হোৎননবা ৱাফম ফোঙদোকখি।

স্পোর্টস ইভেন্টশিং অসি মখোয়গী এরেনাশিংদা অথুবা মতমদা হল্লকপা পামই হায়না ত্রম্পতা মহাক্কী ৱারোলদা ফোঙদোকখি। ঐখোয়না টুর্নামেন্টশিং অসি হৌনবগী শেম শারবদি অথুবা মতমদা মায় পাকপা ঙমগনি হায়না য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা মখা তাখি।

এন বি এ অমসুং এন ঐচ এলগী সিজনশিং মার্চ থাদগী চত্থবা য়াদনা লাক্লি। লোয়ননা বেজবোল অমসুং এম এল এসসু মখোয়গী সিজন হৌগদবা অদু কোরোভাইরসকী লায়চৎনা মরম ওইরগা হৌবা য়াদ্রি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস হৌজিক ফাওবদা কোভিদ–১৯ লায়চৎনা খ্বাইদগী শোকহনবা লৈবাক অমা ওইরিবনি। মীওই ৩০৬,০০০ হেনবনা লায়চৎ অসিনা নাদুনা লৈরি অদুগা মীওই ৮,৩০০ হেনবনা লায়চৎ অসিনা হাৎখ্রবনি।

হ্বাইট হাউসকী মেডিকেল এক্সপার্টনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিনা লাওথোকখিবা য়ূমদা লেঙদনা লৈবগী ৱাফম অদু থৌওইদ্রবদি অমেরিকান ১০০,০০০ দগী ২৪০,০০০ ফাওবা শিবা য়াবগী ফিভমদা লৈরি হায়রি।

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ফেনশিংনা স্পোর্টস কম্পিটিসনশিং অসি অথুবা মতমদা হৌহনবা পাম্লে। মখোয়না বাস্কেটবোল, বেজবোল, ফুটবোল অমসুং হোক্কী মশান্নশিং অথুবা মতমদা হৌবা পাম্লি।

গোল্ফ শান্নফমশিংদি য়াম্না লূ–নানবা, অশেঙবা নুশিৎ ফংবা অমসুং শ্বর হন্দোক–হোঞ্জিন্দা য়াম্না নুংঙাইবা মফমনি। মরম অদুদা এন এফ এল না মখোয়গী সিজন অদু সেপ্টেম্বর থাদগী হৌনবা পান্দম থম্লি। অদুবু কালিফোর্নিয়াগী গভর্ণর কেভিন ন্যুসোমনা ফোঙদোকখিবদদি এন এফ এলগী সিজন হৌনবগী তৌরিবা অসি ওইথোকপা লৈতে হায়খি।

## মীরাবাই চনু অমসুং সুসমা ভর্মনা কোভিদ–১৯ থেংননবা পি এমগী পাউতাক ইন্নবা মীয়ামদা খঙহনখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি)ঃ*

লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা শোকহল্লক্লিবা অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লায়চৎ অসি থিংননবগী খোঙথাং অমা ওইনা ঙসি নুমিদাং পুং ৯ তাবদগী মিনিট ৯ গী ওইনা য়ূমদা থানবা বল্বশিং মূত্থৎতুনা কেন্দল নৎত্রগা মোবাইলগী টোর্চ লাইটশিং থাননবা অপিল তৌখিবা অদু মপুং ফানা পাঙথোক্নবা ৱেঠলিফটিংগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবী মীরাবাই চনু অমসুং ইন্দিয়ান ৱুমেন ক্রিকেট টিমগী শান্নরোই সুসমা ভর্মনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা ফোঙদোকখ্রে।


কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী চেম্পিয়ন ওইরিবী মীরাবাই চনুনা মহাক্কী ত্বিট্টরদা ফোঙদোকখিবদা মীয়াম্না পূম্নমক্না লৈবাক অসিনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিদা শরুক য়ামিন্নসি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঐখোয়দা ঙসি নুমিদাং পুং ৯ দগী মিনিট ৯গী ওইনা বল্বশিং মূত্থৎতুনা কেন্দল অমসুং মোবাইলগী ফ্লাসলাইটশিং থান্দুনা থম্নবা অপিল তৌরি। পি এমগী অপিল অসি ইন্দুনা ঐখোয়না কোরোনাভাইরস লায়চৎ অসি মায়থিবা পীনবা হোৎনবদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না য়ূমশিংদা থাল্লিবা লাইটশিং মূত্থৎতুনা কেন্দল অমসুং মোবাইলগী ফ্লাসলাইটশিং থাননবা মহাক্কী ৱাফম থমখি।

মীরাবাই চনুনা ভিদিওগী খূত্থাংদা পীরকখিবা কেপসন্দা ঐহাক নুমিদাং পুং ৯ তাবদা মিনিট ৯গী ওইনা কেন্দল অমসুং মোবাইলগী ফ্লাসলাইট থাননবা শেম শারে। মীয়াম্নসু লৈবাক্কী মুভমেন্ট অসিদা য়াওবিনবা অপিল তৌখি। ঐখোয়না মৈঙালগী শক্তি অদু মপুং ফানা শন্দোক্তুনা খঙহনসি হায়না মীরাবাই চনুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মীরবাই চনুনা মহাক্কী ৱাখল্লোন অদু প্রাইম মিনিষ্টর ওফিস ওফ ইন্দিয়া, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজু, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বীরেন, স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মেদিয়া, ইন্দিয়ান স্পোর্টসনচিংবদসু ভিদিওদা মহাক্কী ৱাফম অদু মেসেজগী খূত্থাংদা খঙহনখি।

ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিমগী শান্নরোই সুসমা ভর্মনা ত্বিট্টরগী খূত্থাংদা ফোঙদোকখিবদা মীয়াম পূম্নমক্না মখোয়গী নুংশিরবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা পুন্না লৈমিন্নরমগনি। ঐনা অমুক্কা নীংশিজরি মদুদি ঙসিগী নুমিদাং পুং ৯ তাবদগী মিনিট ৯ গী ওইনা য়ূম–য়ূমদা থাল্লিবা বল্বশিং অদু মূত্থৎতুনা কেন্দল অমসুং মোবাইলগী ফ্লাসলাইটশিং থান্দুনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাফম অদু ইন্নবা খঙহঞ্জরি। মীয়াম্না সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং অদু ঙাক্না চৎপিনবা হায়জরি। মীয়াম পুন্না কোভিদ–১৯গী লায়চৎ অসি মপুং ফানা থেংননবা হোৎনবা অঙম্বা মতেং পাঙনসি হায়না সুসমা ভর্মনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াই, মমাঙদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা সিটিজনশিংদা এপ্রিল ৫ গী নুমিদাং পুং ৯ তাবদগী শুপ্নগী মিনিট ৯ খক্কী ওইনা য়ূম–য়ূমদা থাল্লিবা বল্বশিং মূত্থৎতুনা কেন্দল লাইট অমসুং মোবাইলগী ফ্লাসলাইটশিং থান্দুনা কোভিদ–১৯ লায়চৎ অসি থেংননবা হোৎনবা অপুনবগী পাঙ্গল অদু উৎসি হায়না লৈবাক মীয়ামদা মেসেজ পীখিবনি।





## যুবরাজনা পি এম কেয়র্স ফন্দদা লুপা লাখ ৫৯ মতেং পাঙখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী মমাঙদা ওল রাউন্দ ওইরম্বা যুবরাজ সিংহনা লৈবাক অসিনা কোরোনাভাইরস লায়চৎ থেংনরিবা অসিদা মতেং ওইনবা প্রাইম মিনিষ্টর কেয়র্স ফন্দদা লুপা লাখ ৫০ মতেং পাঙখ্রে।

যুবরাজ সিংহনা মহাক্কী ত্বিট্টর খূত্থাংদা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়না অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা পাঙ্গল শাগৎপগী মতম ওইরে। ঐহাক্না প্রাইম মিনিষ্টরগী অপিল ওইনা এপ্রিল ৫ গী নুমিদাং পুং ৯ তাবদগী মিনিট ৯ মৈ (বল্ব) মূত্থৎলগা কেন্দল অমসুং মোবাইলগী ফ্লাসলাইট থানগনি। মসিনা ঐখোয় অপুনবগী থৌনা অদু উৎকদৌরিবনি হায়না যুবরাজনা মখা তাখি।

ন্যু দিল্লি পুলিস অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্না কোভিদ–১৯ লায়চৎ অসি থেংননবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। ঐখোয়না মসিগী পার্ট অমা ওইদুনা য়ূমদা লেঙদনা লৈদুনা লায়চৎ অসিদগী লাপথোক্নবা হোৎনগদবনি হায়না মহাক্কী মত ফোঙদোকখি। ইন্দিয়াগী মমাঙদা ওফ স্পিন্নর ওইরম্বা হরবজন সিং হনসু মহাক্কী পোক্নফম ওইরিবা জলান্ধরদা তোল্ল–তারবা মীওই ৫০০০ রোমদা অচা–অথক পীদুনা মতেং পাঙখি।

## লিওনেল মেসি অঙকপা অমসুং অশেংবা টেলেন্ট লৈবনি : কাকা

*সাউ পাওলো, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি)ঃ*

আর্জেন্টিনাগী ফুটবোল ষ্টার লিওনেল মেসি অঙকপা অমসুং অশেংবা টেলেন্ট লৈবা শান্নরোইনি হায়না ব্রাজিলগী ফুটবোল গ্রেট কাকানা ফোঙদোকখ্রে।

ব্রাজিলগী ফুটবোল গ্রেট কাকানা ফোঙদোকখিবদা লিওনেল মেসিদগী তমগদবা কয়া অমা লৈরি। পোর্টুগালগী ষ্টার কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা মালেমগী খ্বাইদগী অফবা শান্নরোই ওইরি। অদুবু আর্জেন্টিনাগী ষ্টার লিওনেল মেসিসু মঙোন্দগী থাক হন্থদে হায়না কাকানা শিংথাখি।

ঐহাক্না পোর্টুগালগী কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোগা শান্নমিন্নখ্রে। মহাক ফুটবোল মশান্নদা য়াম্না হৈ–শিংবা শান্নরোই অমনি। মহাক্কুম্না আর্জেন্টিনাগী লিওনেল মেসিনা হেল্লি হায়না ফিফাগী চেনেল অমদা ৱাহং পাউহং তৌনবদা কাকানা ফোঙদোকখিবনি।

ফিফাগী চেনেলদা পাঙথোকখিবা দিবেট অদুদা হৌখিবা দেকেদ অসিগী ফুটবোল মশান্নগী মরমদা নৈনখি। কুমজা ২০০৮ অমসুং ২০১৮ গী মনুংদা পোর্টুগালগী কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো অমসুং আর্জেন্টিনাগী লিওনেল মেসি বেল্লোন দি’ওর এৱার্দশিং ফংখ্রে।

ব্রাজিলগী ফুটবোল গ্রেট কাকাসু বেল্লোন দি’ওর এৱার্দ অসি ফংখ্রবনি। মহাক পোর্টুগালগী ষ্টার কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোগা স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদতা চহী ৫ রোম পুন্না শান্নমিন্নরকখি হায়রি।

## কোনকাকেফ নেসন্স লীগ য়ৈথোকখ্রে

মিয়ামি, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি)ঃ

চৎলিবা চহী অসিগী জুনদা টেক্সাসতা পাঙথোক্নবা শেম শারম্বা কোনকাকেফ নেস্নেল লীগকী ফাইনেল কোরোনাভাইরস পেন্দেমিকনা মরম ওইদুনা মতম কক্তুনা য়ৈথোকখ্রে হায়না অমেরিকান মহাদেশকী ফুটবোলগী গভর্ণিং বোর্দি অসিনা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা লাওথোকখ্রে।

জুন ৪ অমদি জুন ৭ দা হাউসটোন অমসুং দলাসতা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা নোঠ অমেরিকা, সেন্ট্রেল অমেরিকা অমদি করাবিয়ানগী টিম মরীগী ফাইনেল অসি নৌনা মতম লেপ্পা ঙমদ্রি।

কোনকাকেফনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, ঐখোয়গী কম্পিটিসনগী সেদ্যুলশিং লাক্কদৌরিবা থাশিংদা পাঙথোক্কদবা অদু রিজর্ন্ট অসিদা লৈরিবা মীয়ামশিংবু তেক্তা কায়দনা লৈহনবা হায়বসিনা অহানবা মীৎয়েং থল্লি।

হৌজিক্কী ওইরিবা ফিভম অমদি ফিফাগী ইন্টরনেস্নেল ফুটবোল কেলেন্দরদা য়ুম্ফম ওইরগা ঐখোয়না কোনকাকেফ নেস্নেল লীগ ফাইনেল অসি য়ৈথোক্নবগী ৱারেপ লৌখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

কোনকাকেফ নেসন্স লীগ ফাইনেল অসিদা কোষ্টারিকা, হোন্দুরস, মেক্সিকো অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা শরুক য়াগনি।

নোঠ অমেরিকাদগী স্পোর্টস পূম্নমক কোভিদ–১৯ পেন্দেমিকনা মরম ওইদুনা য়ৈথোকখিবা অমদি শান্নবা পুমলেপ লেপহনখ্রবনি।

ক্রোসৱার্দ ৪৭৯ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| H | E | L | P | | S | T | A | Y | | A | M | A | S | S |
| E | R | I | E | | N | O | M | E | | R | O | B | O | T |
| A | N | N | A | P | O | L | I | S | | S | A | L | S | A |
| R | I | D | | O | W | L | S | | M | E | T | E | O | R |
| T | E | A | P | O | T | | S | E | E | N | | | | |
| | | | A | R | I | D | | N | A | I | R | O | B | I |
| A | W | L | S | | R | A | I | D | | C | A | R | O | L |
| S | H | U | T | | E | M | C | E | E | | R | A | I | L |
| E | A | S | E | D | | S | E | A | T | | E | L | L | S |
| A | T | H | L | E | T | E | | R | E | D | S | | | |
| | | | | S | I | L | O | | R | O | T | T | E | D |
| H | A | S | T | E | N | | L | O | N | E | | A | L | E |
| A | L | T | E | R | | A | D | M | I | R | A | B | L | E |
| R | O | A | S | T | | D | I | E | T | | F | L | E | D |
| P | E | S | T | S | | D | E | N | Y | | T | E | N | S |

## ব্রাজিলগী নেমারনা কোভিদ–১৯ থেংননবা য়ুএস দোলর মিলিয়ন ১ মতেং পাঙখ্রে



*রিও দি জৈনৈরো, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি)ঃ*

ব্রাজিলগী ফুটবোল ষ্টার নেমারনা কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক থেংননবগীদমক য়ু এস দোলর মিলিয়ন অমা য়ুনাইটেদ নেসন্স চিলড্রেন্স ফন্দ (য়ু এন আই সি ই এফ) অমসুং ব্রাজিলদা মতেং পাঙখ্রে।

ব্রাজিলগী ফুটবোল ষ্টার নেমার মালেমগী খ্বাইদগী মমল য়াম্বা শান্নরোইশিংগী মনুংদা অহুমশুবদা লৈরিবনি। মহাক্না য়ু এস দোলর মিলিয়ন অমগী শরুক খরনা য়ু এন আই সি এফতা মতেং পাঙলগা অতোপ্পা শেনফম খরনা মহাক্কী মরূপ লুসিয়ানো হুকনা হৌদোকখিবা চেরিটেবল ওর্গনাইজেসন্দা মতেং পাঙখিবনি।

মশাগী চহী ২৮ শুরবা নেমার ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনদা হৌজিক–হৌজিক শান্নরিবনি। মহাক্কী টিমমেট ফ্রান্স মচা কাইলিয়ান মবাপ্পেসু কোভিদ–১৯ লায়চৎ অসি থেংননবা মরৈবাক ফ্রান্সকীদমক মতেং পাঙখ্রবনি।

চেরিটেবল ওর্গনাইজেসন লিংখৎখিবা লুসিয়ানো হুক কুমজা ২০২২ গী ব্রাজিল প্রসিদেন্সিয়েল ইলেক্সনদা মীরেপ ওইবগী খুদোংচাবা লৈরি। ওর্গনাইজেসন অসিদা পীরকপা শেনফমশিং অদুনা রিও দি জৈনৈরোগী নক্নবদা লৈবা লায়রবশিংদা মতেং পাঙগনি হায়রি।

## রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরদা টাইটলগী প্রেসরনা পোৎলুম ওইরি

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল) গী ক্লব রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল ফংনবগী প্রেসরনা অচৌবা পোৎলুম অমা ওইরি হায়না ক্লব অসিগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা ফোঙদোকখ্রে।

রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোর টি–২০ লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল অহুম্লক চঙবা ঙমখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবদা টাইটল অমত্তা ফংবা ঙমদনা লাক্লি। ক্লব অসিদা নত্তনা টুর্নামেন্ট অসিদা য়াওরিবা দিল্লি কেপিটেলস অমসুং কিংস এলবেন পঞ্জাবসু টাইটল অমত্তা ফংবা ঙমদনা লাক্লি।

ভিরাট কোহলিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মমাঙগী চহীদগী ক্লব অসিদা অকনবা প্রেসরশিং লৈরিবনি। অদুবু সিজন অসিগী পাঙথোক্কদবা আই পি এলগী সিজন অদু কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা য়ৈথোক্তুনা লৈরিবনি।

## সট্টলর পি ভি সিন্ধুনা কুমজা ২০২২ ফাওবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখিগদৌরি

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি)ঃ*

মমাঙ চহীদা মশাগী কেরিয়রগী ওইনা অহানবা বেদমিন্টন ৱার্ল্ড টাইটল ফংখ্রবী ইন্দিয়াগী সট্টলর পি ভি সিন্ধুনা কুমজা ২০২২ ফাওবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নগী মিংথোল অসি অদুম্মক লৈখিগদৌরি।

কুমজা ২০২১ দা পাঙথোক্কদবা বেদমিন্টন ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা মহাক্কী টাইটল অদু দিফেন্দ তৌবগী খুদোংচাবা ফংখিবনি। অদুবু চহী অসিদা পাঙথোক্কদবা টোকিও ওলেম্পিক গেমস অদু কোরোনাভাইরস লায়চৎকী অকিবা লৈবদগী মথং চহীদা পাঙথোক্নবা য়ৈথোকখিবদগী কুমজা ২০২১ দা পাঙথোক্কদবা বেদমিন্টন ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অদু পাঙথোক্তবা য়ানা লৈরিবনি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী নুপী সট্টলর পি ভি সিন্ধু ওল ইংলেন্দ চেম্পিয়ন্সিপ য়াওরুরবা মতুংদগী হৌজিক ফাওবা ক্বারেন্টিন তৌদুনা লৈরিবনি।

## খুরাই এ সিগী ওইনা কর্ফ্যু থুগায়বশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎহনগনিঃ এম এল এ সুশিন্দ্রো

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (এস এন এস)ঃ

কোভিদ–১৯ না মরম ওইদুনা ষ্টেট অসিদা লৈঙাক্না কর্ফ্যু থমজিন্দুনা লায়না অসি শন্দোরকপা থিংনবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলিবা অসিদা খুরাই এ সিগী ওইনা কনাগুম্বা থওইদদুনা কর্ফ্যু অসিবু থুগায়বশিংগী মথক্তা পুলিসনা এক্সন লৌখৎপদা অথিংবা থমদে হায়দা এ সি অসিগী এম এল এ সুশিন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

খুরাইদা লৈবা এম এল এ অসিগী ময়ূমদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এম এল এ সুশিন্দ্রোনা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, কোভিদ–১৯ না মরম ওইদুনা ষ্টেট অসিদা মীয়ান্না অৱাবা কয়া মায়োক্নরিবসি য়েংদুনা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক লৈঙাক অসিনা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলি। লৈঙাক্না লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিং অসিবু শৌগৎপগী মহুৎ কনাগুম্বা খরনা লান্না খল্লিবসি য়ানিংদে। লৈঙাক্না লৌখৎলিবা খোঙথাং অসি মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক্তনি।

লৈঙাক্না লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না ষ্টেট অসিদা কর্ফ্যু থল্লিবা অসিদা কনাগুম্বনা লন্নাই ইন্টরেষ্টতা তৌনিংবদা তৌদুনা কর্ফ্যু থুগায়রিবসি লৈঙাক্না তুমিন্না লৈশিনফম থোক্তে। মখোয়শিং অসিগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎত্রবদি তমথিরবা লায়না কোভিদ–১৯ অসি পাক–শন্না শন্দোরকখিদুনা মীপূম খুদিংমক্তা শোকহল্লকপা য়াই। মসি খুরাই এ সিগী ওইনদি এসেন্সিয়েল কম্মোদিটিজ খক নত্তনা কর্ফ্যু থুগায়রিবশিং অসিগী মথক্তা পুলিসনা লৌখৎপা এক্সন খুদিংমক্তা অয়াবা পীরে। পুলিসশিংনসু মখোয়গী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎপিয়ু। মমা–মপা ওইবশিংনসু মচা–মনাও ফাখ্রে হায়দুনা থাদোকপিনবা ৱাকৎপিরক্নু। লোগী মতুং ইন্না ফাজবনি।

খুরাই এ সিগী অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী য়ান্না মরু ওইবা কৈথেল অমা ওইরিবা লম্লোং কৈথেল অসি লৈঙাক্কী য়াথং মতুং ইন্না চয়োল অমদা অহুম্লক হাংলম্বা অদু নিংথৌকাবা নুমিৎ খক্তমক হাংলগনি। চয়োল অমদা কৈথেল অসি অহুম্লক হাংবনা কোভিদ–১৯ অসি হেন্না শন্দোরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা খোঙথাং অসি লৌখৎপনি। মরম অদুনা মীয়ান্না নিংথৌকাবা নুমিৎ খক্তুদা লাক্তুনা চয়োল অমগী কোন্নগদবা পোৎ– চৈশিং লৌশিনবিয়ু। এ সি অসিগী মীয়ামগী চান–থক্নবা পোৎলমশিং ৱাৎতনা ফংহনগনি। অৱাৎপা লৈরবসু পঞ্চায়ট নৎত্রগা ফায়র প্রাইস শোপশিংগী খূত্থাংদা পাউ পীবিরকউ হায়খি।

অমরোমদা, খুরাই এ সি অসিগী মনুংদা কোভিদ–১৯ না নাবা অমদি লায়না অসিনা নারমগনি চিংনবা য়াওরকপা মতমদা মখোয়শিং অসিবু থম্নবা এ সি অসি খক্তগী ওইবা তোখায়বা ক্বারেন্টিন সেন্টর অমা শাবিনবা লৈঙাক্তা হায়জখিবসু লৈরে। মসি লৈঙাক্না অথুবদা থবক্তা ওন্থোকপিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ত্রিপুরাগী সি এমগী মথক্তা এফ আই আর থাঙ্গৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (এস এন এস) ঃ

কোভিদ–১৯গী লায়চৎ অসিগা মরী লৈননা ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবনা অরানবা পাউ শন্দোকই হায়বগীদমক মহাক্কী মথক্তা কোংগ্রেসকী হান্নগী এম এল এ গোপাল সি ঐচ রোইনা এফ আই আর ফাইল তৌখ্রে।

হৌজিক মালেমগী লৈবাক কয়াদা পাক শন্না শন্দোক্লিবা কোভিদ–১৯গী লায়চৎ অসিগা মরী লৈনবা শেমজিন শাজিনবা ঈ পাউ মীয়ামদা শন্দোকই হায়বগীদমক হান্নগী ত্রিপুরাগী এম এল এ অমদি ত্রিপুরা কোংগ্রেসকী চীফ গোপাল সি ঐচ রোয়না ঙরাং চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবগী মথক্তা এফ আই আর অদু এন সি সি পুলিস ষ্টেসনদা ফাইল তৌখিবনি হায়রি।

গোপাল সি ঐচ রোইনা থাঙ্গৎখিবা এফ আর আর অদুদা পল্লিবা ৱারোলদি হৌখিবা এপ্রিল ২ দা জি বি হোস্পিটাল (অগরটালা) দা চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা মণিপুরদা কোরোনা ভাইরস পোজিটিভ কেস ১৯ লৈরে অমদি অসামগী করমিগঞ্জদনা কেস ১৬ লৈরে হায়না ফোঙদোকখিবা অসিমক মীয়ামদা ঈ পাউ লান্না শন্দোকপনি। এপ্রিল ২ ফাওবদা সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট লৈঙাক্কী দাটাগী মতুংইন্না করিমগঞ্জদা পোজিটিভ কেস ১ অমদি মণিপুরদা কেস অনী লৈখি। মসিগীদমক আই পি সি সেক্সন ১৮২, ৫০৫(১)(বি) গী মখাদা চেরোল অসি লৌশিনবীয়ু হায়না ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না এফ আই আর অদু থারকপা মতমদা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফমশিং অদু ফোঙদোকখিবগী ভিদিও ক্লিপ অমসু হাপখি হায়রি।

ঐখোয়না কোভিদ–১৯গী অচৌবা লায়চৎ অমা মায়োক্নবগী অৱাবা ফিভম অমা মায়োক্নহল্লি। সেন্ট্রেল লৈঙাক্না কোভিদ–১৯ গা মরী লৈননা অরানবা অমদি মওং মরিল তাদবা ৱাফমশিং মীয়াম্না ফোঙদোকপীদনবা আপীল তৌবা লৈরিবনি। অদুবু চীফ মিনিষ্টর অমনা মীয়ামদা অরানবা পাউ শন্দোক্লি হায়না রোয়না মখা তানা হায়খি।

মরম অসিনা লমদম অসিগী মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা এফ আই আর অসি ফাইল তৌবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

নুমিৎ অদুদা বিপ্লব কুমার দেবনা পাউজী চেনেল অমদা ফোঙদোকখিবদা য়ুম্লোন্নরিবা করিমগঞ্জদা কোভিদ–১৯ কেস ১৬ থেংনরে অদুগা মণিপুরদনা কেস ১৯ লৈরে। মরম অসিনা ত্রিপুরাগী ঙমখৈ অসি থিংদুনা থম্বনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

পনবা য়াবদি সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা লৈঙাকশিংদা কোভিদ–১৯গী লায়চৎ অসিগা মরী লৈননা মীয়ামদা মিপাইবা পোকহনবা য়াবা ৱাফমশিং শন্দোকপা থিংনবা অকনবা পাউতাক পীরিবনি।

মসিদা নত্তনা মেদিয়াশিংনা অচুম্বা অমদি তশেং তশেংলে হায়বা খঙলবা ঈ পাউতমক মীয়ামদা ফংহন্নবগীদমক হেন্না কুপ্না শেন্নরিবনি। অরানবা অমদি শেমজিন শাজিনবা পাউ শন্দোকপা অসিনা লৈবাক অসিদা শাথিনা অকায়বা থোকহনবগী ফিভম অমদা লৈরিবনি।